ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা পাঙথোকপা এসিয়াগী হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি মেন্স হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

চহী অসিগী ওগস্ট থাদা লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অদুনা ঙসি ধাকাদা শান্নবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি মেন্স হোক্কী টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা পাকিস্টানগা লম্বা তৌনবদা ঙন্না ইন্দিয়ানা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা হর্মনপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা পাকিস্টানবু ঙন্না মাংজিল থাবা ঙমখি।

মেটচ অদুদা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা অরেম্বা তাহনখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকাশদিপ সিংহনা পাঞ্জল ১ চল্লগা পাকিস্টানবু ২-০দা মখা তানা হেনবা ঙমখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী জুনের মঞ্জুরনা টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মখা তানা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা মায় পাক্লনবগী লম্বেল অমা শেমখি।

ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখিবা অদুগী মখা চথরকপদা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ভাইস কেপ্টেন হর্মনপ্রিট সিংহনা ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ৩শুবা অদুগা মহাক্কী ওইনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা পাকিস্টানবু ৩-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মখা চথরকপা মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টরগী মিনট ৭ ফাদ্রবা মতম অদুদা পাকিস্টানগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ইন্দিয়াগী হাফতা এটেক মরী-মরী চথরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা মায়োক্লবা টিমগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোলশিং অদুবু কাঙলোনগী মতুংইন্না অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা লৈখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৩-১দা থোইখি।

য়ু-১৯ এস এ এফ এফ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া মায়থীবা নংখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা চথরিবা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী চহী ১৯ মখাগী ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু য়ূম্লু টিম বাংলাদেশনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহৌবা মতম শান্নবগী ওইনা ৭শুবা মিনটতা বাংলাদেশকী শান্নরোয়শিং অদুনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা ফাউল তৌরুবগীদমক মেটচ অদুগী রেফরিনা পেনাল্টি অমা বাংলাদেশতা পীখি। হায়রিবা খূদোংচাবা অদু বাংলাদেশকী মায়কৈদগী সামসুনাহরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু বাংলাদেশনা ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাবা ঙল্লবা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মায়োক্তা মখা তানা মখোয়না এটেক চথনবা হোৎনরকখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিল্লমদাই ৪০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সুমতি কুমারীনা পীখিবা বোল অমদা মারিয়ামালনা ফংলগা কাওশিনখিবদা বাংলাদেশকী গোলকিপর রুপানানা ইৱা-ৱাদনা ফাবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইখিবী হেমাম সিল্কিবু বাংলাদেশকী মারিয়ানা কাঙলোনগী ৱাংমদা তুহল্লুবগীদমক ফ্রী কিক অমা ফংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফ্রী কিক অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। মেটচকী মখা চথরকপা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী মখোয়না খূদোংচাবা ফংলিবা অদুগী মথক্তা অহেনবা পাঞ্জল চন্ননবা শান্নরকপা অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মথক্তা চল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা মতুং মায় পাকপগী পাঞ্জল থিননবা হোৎনরকপা অদু ফজরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা স্কোরবোর্দকী রেকোর্দতা হান্না লৈখিবা বাংলাদেশকী পাঞ্জল ১ অদুগা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ০ অদুদগী হোংবা ঙমখিদে।

মেটচকী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী অরোইবা পাঙ্গল পুথোক্লবসু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মেটচ অদু য়াম্না থাজদবা মওংদা ইন্দিয়াগী টিম বাংলাদেশকী মখূৎতা ০-১দা মায়থীরগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়াগী টিম মকোক থোংবা ঙমদনা লৈরি। ইন্দিয়ানা মখা তারকপা মেটচতা নেপালগা নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নগদৌরি।

অৱাং সেকমাইদা স্পোর্টস পেভিলিয়ন অমা শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):

অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এস এস সী দি সী) না চাউরাক্না লুপা লাখ ৮ লোম চঙনা শান্নরোয়শিংগীদমক শেমগৎ শাগৎলকখিবা স্পোর্টস পেভিলিয়ন কমপ্লেক্স অমা ঙসি কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম সুরজমনি সিংহনা শঙ্গাদুনা মায়কৈ অদোমগী মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

অৱাং সেকমাই কাংজৈবুং গ্রাওন্দদা ঙসি অয়ুক পূং ১০ তাবা মতমদা স্পোর্টস পেভিলিয়ন অসি কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম ঈশ্বরচন্দ্র, ট্রেজরর খ্বাইরাকপম সনাতোম্বা, অৱাং সেকমাই খুলগী খুল্লাকপা খ্বাইরাকপম নিলমনি, লুপলাকপা য়ূম্লেম্বম ওবো, খুলগী অমাইবা য়ূম্লেম্বম য়াইমনচিংবা মায়কৈ অদোমগী অহল লমন কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা স্পোর্টস পেভিলিয়ন অসি মীয়ামদা খূৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম সুর্জমনিনা ফোঙদোকখিবদা, অৱাং সেকমাই অসি মীয়াম্না য়ু শুংফম, য়ু য়োনফম ওইনা উদুনা লৈরি। মায়কৈ অসোমদা নেসনল স্পোর্টস প্লেয়র কয়া হৌখ্রে। হৌরক্লিবা নহারোলশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঞাক্তগী লাপথোক্লবগী ৱাখল্লোন্দা স্পোর্টস পেভিলিয়ন অসি অহুল্লকশুবা ওইনা ঙসি মীয়ামদা খূৎশিন্নবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিটিগী সেক্রেটরি কেঐচ ঈশ্বরচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এ এস এস দি সীনা স্পোর্টস পেভিলিয়ন মথং মথং লেপ্তুনা শাজরক্লিবা অসিগী মরমদি কুমজা ২০০৪ দগীনা ২০০৬ ফাওবদা ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমদা অৱাং সেকমাই মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩ য়াওদুনা ইন্দিয়াদা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। অদুবু কুমজা ২০০৬কী মতুংদগীদি অসুম্না শান্নরোয়শিং পুথোকপদা থিন্থরক্লি, অসুম মমশিল্লপগুম তৌরি। মায়কৈ অদোমগী নহারোলশিং শান্নবরোমদা মীৎয়েং চঙহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্কী অমদি অতোপ্পা এন জি ও অমত্তদগী মতেং লৌদনা স্পোর্টস পেভিলিয়নশিং অসি শাবনি।

ঙসি এ এস এস সী দি সী অহুল্লকশুবা ওইনা স্পোর্টস পেভিলিয়ন অমা মীয়ামদা খূৎশিন্নবীরকপদা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম অমদি নহারোলশিংনা কম্মিটি অসিবু থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

এস এস য়ু অমসুং এম পি এস সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এস য়ু অমসুং এম পি এস সীনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৩৪শুবা মেটচ অদুদা এস এস য়ু শীংজমৈ অমসুং ক্লাসা এফ সী লম্বা তৌনবদা শান্নবগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ২০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৭ এন সুশিলকুমারনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং অহেনবা মওংদা এস এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা চথরকখিবা অনৌবা এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১২ এল রোশননা ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা এস এস য়ুনা ক্লাসা এফ সীবু ২-০দা মাংজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখিবগা লোয়ননা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী এস এস য়ু মায় পাকখি।

অনীশুবা মেটচতা এম পি এস সী অমসুং এ আই এম শান্নবদা এম পি এস সীনা ৫-১দা মায় পাকখি। পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি অজিৎ কুমার, উমাকান্ত, খেম, দয়ানন্দ অমসুং ফিমাটেনা এম পি এস সীগী পাঞ্জল ৫ অদু চনখি। অদুগা এইমগীনা মিলননা পাঞ্জল ১খক চনবা ঙমখি।

টি ৱাই সী থাঙতেক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকাইদা লৈবা দি য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা দে এন্দ নাইট ওপন ৪ এ-সাইদ (লেট) থোকচোম অনৌবী দেবী মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি ৱাই সী থাঙতেকনা আই পি এম এস সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা মেটচ অদুদা টি ৱাই সী থাঙতেককী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ ৱাই দেভিটনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ঙন্না পাঞ্জল ১ চল্লগা আই পি এম এস সীবু মাংজিল থাখি। মেটচকী মখা তারকপা শান্নবা অদুদা আই পি এম এস সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীবা নংখি।

ঙসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা বি এফ এফ আই এফ সী অমসুং মিরান্দা এফ সী লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৩-৩দা শান্নবগী পীখিবা মতম লোইরবা মতুং পেনাল্টিদা মান্নদুনা লৈখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না মায় পাকপা টিম অদু খঙদোক্লবগীদমক টোস তৌবদা বি এফ এফ আই এফ সীনা মায় পাকখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ফুটবোল ফোরেভরনা এ এস এবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

সী সী মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মমিং লৈরবা মণিপুরগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই সী বি ঈ মেমোরিয়ল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট শম্না সী সী মীট হায়না খঙনরিবা ৬৩রক শুবা এদিসন মথং চহীগী ফেব্রুৱারীগী অহৌবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অরোইবা এন্ট্রি পীশিনবগী মতম অদু মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৫দা ওইগদৌরি। অদুগা ফীগী মমলনা লুপা লিশিং ৫ ওইগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী ওইনা অম্ফানা পীরকপা কাঙলোনগী মতুংইন্না ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১দা শরুক য়ারিবা টিম ১০, অহানবা অম্ফা কপ ২০২১দগী টিম ৯, ৱিন্নর্স কপ ২০২১-২২দগী টিম ১১ লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী টিম ৪না শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

মণিপুর হোক্কীনা ওফিসল খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী বাশিখোংদা মৈরা গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ৱিমেন্স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২১ মপূং ফানা পাঙথোক্লনবগীদমক্তা ওফিসল খনখ্রে। মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী সী ঐচ বালা সিংহনা টুর্নামেন্ট দিরেক্টর ওইগনি। কে ঐচ ধনেশ্বরনা অম্পায়র মেনেজর ওইরগা রানাচন্দ্র, সিতাজিৎ, রিনেল অমসুং অবুংনা ওফিসল ওইগদৌরি।

১১ ষ্টার মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ববিনা হেল্থ ক্যের এন্দ হোস্পিটেলিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ২৫শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ১১ ষ্টারনা ঐচ ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৫ শুরকপদা ১১ ষ্টারগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৪ থেম্মী জোজোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম অদু লেনখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা ঐচ ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৩ টি ঐচ নিক্কিনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১০ শুজিল্লকপদা ১১ ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১২ হেমসন য়ুম্নামনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ঐচৱাই সীবু হেল্লগা লৈখি। অদুগা শান্নবগী লোইশিল্লকপা মতম ইঞ্জুরি টাইমগী অহেনবা মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ১১ ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৪ ঐচ বিজিওনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ঐচ ৱাই সীবু ৩-১দা থোইখি। ঙরাংগী মেটচ অমদা য়ু বি এস এ অমসুং য়ু বি এফ সী ২-২দা দ্রো চৎখি।

য়ুনিফোর্ম খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সী মনুং চন্না লৈবা সোরা মমাঙগী নহাশিংবু শান্ন-খোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎনবা সোরা মমাঙ য়ুথ ক্লব (এস এম ৱাই সী)দা নহাশিংনা ফূটবোল শান্ননবা য়ুনফোর্মশিং ককচিং এ সীগী আই এন সী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট সোসল ৱর্কর য়েংখোম নিলচন্দ্রনা এস এম ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট সদ্দাম হুসেনদা খূৎশিন্নখ্রে।

মতেং পাংলকপা অদুগীদমক এস এম ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট সদাম হুসেননা নিলচন্দ্রবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ক্লব অসিদা নহারোল কয়া অমা হকচাং ফগৎপা অমদি শান্ন-খোৎনবদা পূক্নিং চঙদুনা লাক্লি। অদুবু ক্লব অসিগী ফূটবোল টুর্নামেন্টনচিংবদা থোক্লবা মেটচিং য়ুনিফোর্ম, ফিরোলশিং লৈতে। লাক্কদৌরিবা দিসেম্বর ১৯দগী হৌগদৌরিবা নাইন এ সাইদ ওপন সোরা ফূটবোল য়ুনিয়ন কপতসু পার্টিসিপেট তৌদুনা থোইনবগী পান্দম থল্লিবনি। অদুবু ক্লব অসিগী অৱাবা উবীদুনা আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা সোসল ৱর্কর য়েংখোম নিলচন্দ্রনা ঙসি ফূটবোল শান্ননবা ক্লবকী য়ুনিফোর্ম পীবিরকপা অসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওবগা লোয়ননা নিলচন্দ্রবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি ।

ৱাই খেমচান্দনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

চৎলিবা চহী ২০২১দা তোঙান-তোঙানবা লমদা মনা ফংলক্লবী শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা মীওই মরি ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা মহাক্কী ময়ূমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা তরাম্না ওকখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা কলচর ইন ম্যুজিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবী দোনা ঙাংবম, চহীসিগী জন্যুৱারী ৬তগী ৮ ফাওবদা তেলঙ্গনাদা পাঙথোকখিবা ৮৪দা সিলভর মেদল ফংবদা নৎতনা অমদি মিষ্টর ইন্দিয়া সেলেক্সন ৯০ কেজিদা ফংখিবা আর কে সুরেশ, ২০২১দা ৭০ কেজিদা মিষ্টর মণিপুর ফংখিবা য়ুম্নাম লুৱাংঙানবা মৈতৈ অমদি ওল ইন্দিয়া পুলিস মীট আর্চরি ২০২১দা সনাগী মেদল ফংখিবী চনম ওংবী রাজপ্রিয়ারিনচিংবনি। মখোয় মরিদা স্পিকর অমদি মাগী লোয়নবীনা অচম্বা খূদোলপোৎ অমমম্ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।১২।২০২১ ইং, থাংজ ; অয়ুক পুং ৭.২৫ ফাওবা পোইনুগী ১৪নি পাল্লি, মতুং থানিল ওইরনি।

মেষ : য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবা, অশাওবনা নুংশাথিবা নংবা অমদি চীন কনবা য়াদবা নুমীৎনি। য়েৎনবদি ঙমজগনি, থবক পাঙগনি, পল্লম্বা শেল-থুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

বৃষ : লাইবক ফবা, নুংঙাইবা অমদি ললোন ইতিক্তসু চাওনা কান্নজবা নুমীৎনি। অরিবা থবক্তা য়েৎনবা খরা লৈগনি। অদুবু থিবা হুম্বা কল্লদি কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্লনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন : হুরানবা অমদি য়েংথিবা থেংনগনি- অরোনবা চেকশিল্লু। নচা-ননাইগী লম্দা মায় পাক্লনি, মীয়াম লোয়নবনা কান্নগনি, নোল্লুক্না চৎপনা শিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কর্কট : মীচং খোম্বদি মায় পাক্লনি, শেন্দোং তানবনা চাওনা কান্নবা ফংগনি অমদি মীকোক থোংবা পাল্লদি মতাং চারে। অশাওবনা মাঙজবদি লৈ -তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ : অফা-অপুন কোকচগনি, অচূম্বনা মায় পাক্লনি, লৌশিং তানবসু থোইনা কান্নগনি,অনৌবা অফবা অশা লাক্লনি। হন্থবা লোয়নরদি নরল মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা : ৱানোম থৌনোমদি অফ-ফত্ত য়ান্নগনি। শকখঙদবা লোয়নরদি মাঙবা শোয়দে অমদি অখঙ-অহৈ শারগনা য়েক্লবা চাওখৎকনি। মীয়াম্না পাম্নবা পাংবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা : ইচং থৌবা অমদি নীংহন্নদবনা অফবা মফম কনবা ঙমগনি। মীয়ামগা মরী ফগৎকনি অমদি নুংঙাইনা লোয়নবা ফংগনি। হেন্না অশা চাওবদি য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক : নীংবদি শোয়দনা থুংগনি, ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। খোইরাংবা খরদি লৈগনি-ফিংগনু অমদি চীন ফরদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

ধনু : মীচং ৱাৎলোই অমদি খূৎ চাওবা মতাং চাগনি। য়েংশিনবদি হান্নগুম লৈ-খৎনবা য়াওরুনু। মরুপ থাজবা লুই অদুবু অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউদি তাজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্লনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর : অনীংবা পাঙবৈ নুংঙাইজবা, মীয়ামগা অফবা মরী লৈবা অমদি হরাওবা নুমীৎনি। নাপল তৌরবা অমদি শকখঙদবা থাজরবদি মীনা তাথিগনি, কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ : থৌনা ফুদোকপনা নথক থোংবনা চানবীগনি, ইচং থৌবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজগনি। হোয়া ফবদি মতাং চাদে-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা হেন্না তৌরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন : মীচং হেনগৎকনি, লাইবক ফগনি, অনৌবা আশা লাক্লনি, শেল-থুমগী য়েৎনরম্বা কোকপগী নুংঙাইবা লৈগনি অমদি মরুপ মপাংনা থাগৎপীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

OFFICE OF THE
SAMUROU MUNICIPAL COUNCIL
SAMUROU:MANIPUR
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Samurou, the 5th November, 2021

No.1/5/2017-SMC(BL): Whereas, it is considered expedient to frame the following 7(seven) Bye-Laws to improve the financial position of the Council and to provide better Municipal Services within the jurisdiction of the Council under the provisions of the 74th Constitutional Amendment Act, 1992.

And whereas, in exercise of the powers conferred by Section 75 & 209 of the Manipur Municipalities Act, 1994, it is hereby notified to all the citizens within the jurisdiction of Samurou Municipal Council that the following **Draft Bye-Laws, 2021** have been framed by this Council vide Resolution No.3, Sitting No 59, dated 15.01.2021. Copy of the **Draft Bye-Laws, 2021** can be obtained from the Municipal Council Office during office hours.

Now, therefore, any claims and objection, in this regard, may be submitted in writing to the undersigned within **15(fifteen) days** during office hours from the publication of this **Draft Bye-Laws, 42021** in the Official Gazette of Manipur. Claims or objections received after the said period (i.e. 15 days) shall not be entertained.

DRAFT BYE-LAWS, 2021:-
1. THE SAMUROU MUNICIPALITY(REGISTRATION AND LICENSING OF SHOPS) BYE-LAWS, 2021.
2. THE SAMUROU MUNICIPALITY (REGULATION OF HOTELS) BYE-LAWS, 2021.
3. THE SAMUROU MUNICIPALITY (REGULATION AND GRANTING OF MOBILE STALL/VENDOR/HAWKER-LICENCE) BYE-LAWS,2021.
4. THE SAMUROU MUNICIPALITY (ADVERTISEMENT) BYE-LAWS,2021.
5. THE SAMUROU MUNICIPALITY (REGULATION OF MARKET) BYE-LAWS,2021.
6. THE SAMUROU MUNICIPALITY (PARKING FEES) BYE-LAWS, 2021.
7. THE SAMUROU MUNICIPALITY (CONDUCT OF BUSINESS) BYE-LAWS,2021.

Sd/- L. Romesh Singh
Executive Officer
Samurou Municipal Council
Manipur

HL-P/0957/18

OFFICE OF THE
THONGKHONG LAXMI MUNICIPAL COUNCIL,
THONGKHONG, IMPHAL WEST-795009
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Thongkhong, the 28th October, 2021

No. 14/02/2021-TLMC (bye-laws): Whereas, the Thongkhong Laxmi Municipal Council considers expedient to adopt the following 8(eight) Bye-laws to improve the financial position of the Council in terms of the 74th Constitutional Amendment Act, 1992 vide its resolution no. 4 of the sitting no. 2 of 2020 dated 21.02.2020

And whereas, in exercise of the powers conferred by Section 75 & 209 of the Manipur Municipalities Act, 1994, the Thongkhong Laxmi Municipal Council has made the following draft bye-laws' 2021 consistent with the Model Bye-laws issued by the State Government under Section 213 of the Manipur Municipalities Act, 1994 and the same is hereby notified for the information of the general public.

Now, therefore, any person who is willing to make any claims/objections to the said draft Bye-laws may submit in writing to the Executive Officer, Thongkhong Laxmi Municipal Council within 15(fifteen) days from the date of publication of the notification in the Official Gazette and any claims/objections received after the said given period shall not be entertained. Copies of the draft Bye-laws' 2021 can be had from the office of the undersigned during office hours.

DRAFT BYE-LAWS' 2021:-
1. THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (ENTRY TOLL ON VEHICLES AND ANIMALS) BYE-LAWS, 2021
2. THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (REGISTRATION AND LICENSING OF SHOPS) BYE-LAWS, 2021
3. THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (REGULATION OF HOTELS) BYE-LAWS, 2021
4. THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (REGULATION AND GRANTING OF MOBILE STALL/ VENDOR/ HAWKER-LICENCE) BYE-LAWS, 2021
5. THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (ADVERTISEMENT) BYE-LAWS, 2021
6. THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (REGULATION OF MARKET) BYE-LAWS, 2021
7. THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (PARKING FEES) BYE-LAWS, 2021
8. THE STHONGKHONG LAXMI MUNICIPALITY (CONDUCT OF BUSINESS BYE-LAWS), 2021

Sd/- **MM Ziaur Rahaman**
Executive Officer
Thongkhong Laxmi Municipal Council

HL-P/0956/18

ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯂꯣꯟ
PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-B/7200/7/10-2/12

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 321

Ragozin, Viacheslav - Taimanov, Mark E
Leningrad-ch 19th Leningrad, 1945

1.e4 c5	2.Nf3 d6	3.d4 cxd4	4.Nxd4 Nf6
5.Nc3 g6	6.Be2 Bg7	7.Be3 O-O	8.O-O Nc6
9.Nb3 Be6	10.f4 Na5	11.f5 Bc4	12.Bd3 d5
13.e5 Ne8	14.f6 exf6	15.Bc5 fxe5	16.Bxf8 Bxf8
17.Nxa5 Qxa5	18.Bxc4 dxc4	19.Qf3 Nd6	20.Rad1 Qb6+
21.Kh1 Qxb2	22.Rxd6 Bxd6	23.Ne4...	

QUESTION :

White to Win

Puzzle 320 Ans. :

23. ...Rc8 24. Bc5 dxc5 25. Qc4 Bf6 26. Nc7+ With a discovered attack by the white queen on Black's rook.Ke7 27. Nd5+ Kf7 28. Nf4+ With a discovered check by the white queen. The white queen attacks Black's king, which is defending Black's pawn and Black's rook. Ke7 29. Nxg6+ Ke8 30.Qxg8# 24. Bc5 Qb5 25. Qg4 Rxc5 26. Rh8 Rxc2+ 27. Kb1 Kf7 28. Rxg8 Kxg8 29. Rh1 Rc8 30. Rh8+ Kf7 31. Rxc8 Qd3+ 32. Kc1 Qf1+ 33. Kd2 Qxf2+ 34.Qe2
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com